# ‘লম মুল্লগা খুদুম চনবা!’

- এল ইবোমচা -

অটসুম (ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর) না মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব তানবগী মায়োক্তা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লিসি চীংগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈংনা চিল্লা চৎচরবসু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অথীবা ৱাহৈ-খোন্দা কয়া শীজিন্নদুনা লাও খোংদুনা চৎপগা লোয়ননা এ কে - ৪৭ রাইফলস পায়বা ‘সু’ দা লৈবা কুকি মিলিটেন্টশিং ফোংনা য়াওশিল্লক্তুনা শরুক য়াখি। অসুম্না ঙাইহাক রেল্লি চৎলল্লবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর অমসুং মসিগা নক্লনা লৈবা মৈতৈগী য়ূমশিং মথং মথং মৈ থাবা, থুগাইবা, নোংমৈনা কাপ্পা, অউ-অউবা মৈতৈশিং ফূবা-চৈবনচিংবা লান তাবগী মওংদা চথবা হৌরকখি। ইকান কান্নদনা কুকিশিংনা নম্মা তাবা মোরে অমসুং কাংপোকপীদসু চপ মান্ননা শন্দোরক্তুনা মণিপুর মৈ হৌনা চাকপা হৌরকখি। লাইবক ফবদি ত্রাইবেল মশেল ওইজরবসু অতৈ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদি মসিগুম্বা পামদবা থৌদোক থোকখিবা লৈখিদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদনা কুকিগী মীশিং লিক্লা খুন্দাবা অদুননি। হায়বদি মফম অহুমসিদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈশিং অসিগী মথক্তা অমুক্তংদি অকনবা মওংদা লান্দাশিল্লগা শিৎ-নান্না তকথোকখ্রবা মতুংদা কুকিলেন্দ অমা শেমগে হায়বগী পোরম অমা চহী কয়াগী মমাঙদগী য়াৎতুনা লৈবননি। পোরমসি হান্নদগী য়াৎতুনা লৈরে হায়বগী খুদম চাংদমদি রেল্লি অসি চৎকদবা নুমিৎ তরানি, থাখায় ৱাৎলিঙৈ মমাঙদগী ফত্ত-নুংদা খরা শোয়দনা থোল্লগনি খঙবদগী ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা অশানবা য়ূমদা অমসুং ময়ূম ইঙ্খোল লিংনদুনা লৈবা কুকি খুদিংমক মফম চাবা য়েংলগা চেন্নখিরল্লে। অদুগা অমনা ত্রাইবেল মশেল ওইরবসু নাগানা নম্মা তাবা দিষ্ট্রিক্টশিংদনা হিংশা য়াওবা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রগা কুকিশিংনা নম্মা তাবা মফম অহুমসিদনা হিংশা য়াওবা থৌদোক থোক্লিবা অসিনসু খুদম অমনি। কুকিশিংনা মৈতৈশিংদা অতম্ননা লান্দারকপা অসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি মণিপুরদা রুল ওফ লো হায়বদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুনগী মখাদা ইনগদবা আইন অদু ইন্দ্রে। কুকিশিংনা মখোয়গী অনীংবা অপান্বদু ফংনবগীদমক মণিপুরগী লৈমায়সি মীহাৎপুং অমসুং অচৌবা লানফম অমা ওন্থোক্লে। মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব তাল্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা শোয়দনা ফংহল্লু হায়দুনা মণিপুর হায় কোর্টনা পীবা রাই অমসু নত্তবদা অমসুং কোর্টতা চৎপা য়াবদু চৎপগী মহুত্তা মৈতৈ ফুরুপ্তা থৌওইনা ওনশিল্লগা লান তাশিল্লিবসিনা তাক্লিবদি কুকিলেন্দ শেল্লকপদা মৈতৈগী ফুরুপ খক্তনা অয়েৎপা পীরক্কনি খনবননি। অতোপ্পা ফুরুপশিংদি মখোয়না কুকিলেন্দ শেল্লকপদা অয়েৎ অপন পীরকপা ঙল্লোই করিগুম্বা পীরকপা তারবসু খূৎলায়না ইরায় লায়না নমথগে খনবা মরম্ননি। কুকিশিং অসিনা অসুক য়াম্না শাথীরিবগী মরমদি ‘সু’ দা য়াওরিবা কুকি মিলিটেন্ট অয়ান্বদি বর্ম্মা (ম্যান্মার) লৈঙাক্কী মায়োক্তা লালহৌরুবদগী লৈবা য়াদদুনা মণিপুরদা লাঞ্জেল্লক্তুনা শৈদাংলবা মীওই ঙাক্তনা ওইবা অদুননি। হায়বদি মখোয় অসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী অমত্তা নত্তে, মীতোপ ঙাক্তনি তাকপনি।

অমরোমদা, ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসি মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা হীরম খুদিংমক্তা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা থাক্কী মফম তান্নবা য়াওরিবা লৈবাক অমনি। অদুবু চাওখৎ মনীং হন্দুনা চৎলিবা বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী কুকি মিলিটেন্টশিং অসিবু য়াম্না কি হঙ্গোইনা চৎলি। হায়বদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী মৈতৈশিংদা অতম্ননা নোংমৈ, বোম, তোপ শীজিন্নদুনা লান্দারক্লবসু হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংবগুম্না লৈরি। মতাংসিদা মণিপুর মীয়াম্না ইন্দিয়াগী করি করম্বা অরোনবা ফোরেন পোলিসি লৈবনো হায়দুনসু য়াম্না কন্না হংনরক্লি। মরমদি ইন্দিয়াগী আর্মি, নেভি, এয়র ফোর্সেস থমদুনা লৈবাক অসিগীদমক এক্সটর্নেল এফ্যেরস, হোম অমদি দিফেন্স মিনিষ্ট্রি লিংদুনা লৈরিবনি। হায়রিবশিং অসি তগোম তগোম্না লিংবা নত্তে, মীৎ-না শীংনা ইন্দিয়াদা কনানা করি তৌরকপা য়াই-য়াদে খঙনবা মতমগা চুনবা খূৎলায় কয়া খিন্দুনা থল্লিবনি। শম্না হায়রবদা য়েক্লবগী নোংমৈ চিন্দোল ইন্দিয়াদা ওনশিল্লক্লে হায়বদু খঙননবা খূৎলায় ফাওবা খিন্দুনা থম্বা ঙল্লিবনি। লৈবাক মনুংদা থোকপা থৌদোক-ৱাথোক কয়া অরাইবা পাম্বৈনা অথুবদা লাকশিনবা ঙম্বা লৈবাকনি। লৈবাক্কী মনুংদা ঈরাং শাগৎলক্কদবা অনৌবা অমসুং অরিবা লূপ কয়া অথুবদা মশক খঙদোক্তুনা ঈরাং শাগৎপা হৌবগা অথুবদা মমু য়ৈথেকপা ঙম্বা লৈবাকনি। হন্দক্তসু চাইনাগী মশীং য়াম্লবা লান্মী ময়াম অমনা ইন্দিয়াগী অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ মনুং চংশিল্লকপা মতমদা ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা লান্মী খরখক্লা বোম, তোপ, নোংমৈ শীজিন্নদনা উতুপ-ৱাতুপ অমসুং নূঙনা ইরায় লায়না ঙমখৈ ৱাংমদা তকথোকপা ঙমখিবনি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়াগী জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা পাকিস্থানগী লান চাবা ক্রুপ অমনা ঙমখৈ মনুংদা চংশিল্লক্লে খঙবা মীকুপ্তা ইন্দিয়াগী এয়র ফোর্সনা অথুবদা পাকিস্থান মনুংদা বোম থাদরুবদগী খুদক্তা পাকিস্থানগী লান চাবশিং খোঙলৈ থুনা খোঙফম হন্দোকখিবা লৈ। মসিদগী অমুক হেন্দোক্তুনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী টেররিষ্ট চংলক্কদৌরে হায়বা খূৎলায়গী মতেংনা খঙবদগী চংলক্তনবা হায়দুনা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সনা কিহন খংহনবা ওইনা বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী ঙমখৈ মনুংদা বোম থাদরুবসু লৈখ্রে।

অদুবু লাইবক থীবদি অসুক য়াম্না মপাঙ্গল কন্না মমিৎ-মনা শীংনা লৈরবা ইন্দিয়ানা হন্দক মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎসিদগী বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী কুকি টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা বোম, তোপ, নোংমৈনা লান তারক্লিবা অসিগী মতাংদা করিমত্তা খঙবা, উবা ঙমদনা লৈরম্বা অসিবুনি। হায়বদি ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফ্যেরস, হোম অমসুং দিফেন্স দিপার্টমেন্ট কদাইদা লোৎতুনা লৈখ্রবগে হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ৱাহং ওইরে। লান অসিগী মরম ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবা শাদুনা লান অসি মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনবগী মরমদা মণিপুর হায় কোর্টনা পীবা ভর্দিক্ট অমদগী থোক্লকপনি হায়না ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ইরায় লায়না হায়দোকপা ঙম্মী। অদুগা লানসিদা মীয়ামগী মপুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক্লবা থল্লিবা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্স ময়াম অসি মণিপুরগী মীয়াম্না থাজবা ৱাৎপগী খোল্লাওসু লেপ্তুনা লাউনরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি সোভরেন্ট কন্ট্রি অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা মরমদম মণিপুর মনুংদা বর্ম্মা (ম্যান্মার) গী কুকি টেররিষ্ট খরনা নোংমৈ শীজিন্নদুনা লান্দারকপদা য়েংদুনা লৈবগী ফীভমদু উরুবদগীনি । হায়বদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা ফোংনা মতেং পাংবদু উবদগীনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদা ইন্টরনেল অমদি এক্সটর্নেল দিষ্টরবেন্স থোক্লকপা মতমদা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা অখন্নবা থৌরাং লৈনা-লৈনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবদুগী মরম নুংদা করি লৈবগে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুর মীয়াম্না চিংননা হংনবা হৌরক্লে। অদুগা অমনা পূন্না লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ময়ামগী মরক্তগী মৈতৈ খক্তং খন্দোক্লগা পাক্তক্লনা হাৎনবা, ময়ূম মকৈ কয়া মৈনা তুম্না থাদোক্লগা খুন তুমহনবা, মরন-মথুম মুনবা অদুগা মৈতৈশিং তান্থোক্লগা হাঙদুনা লৈরবা লম অদু খুদুম চল্লগা লৌশিনবা হায়বসি ঙসিগী বিজ্ঞানগী মতম অসিগদি চুনদ্রবা থৌসিলনি। অসিগুম্বা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা মৈতৈশিংদা অতম্ননা ওনশিল্লগা লান্দারক্লিবা অসি মালেম পূম্বনা নিন্দা তৌফম থোকই। মসিদি মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী লোনা চৎনদ্রবা ইথনিক ক্লিন্সিং জিনোসাইদ থৌওংদু চত্থরগা মৈতৈশিং পূম্নমক শিৎ নান্না মরমদগী তান্থোকখ্রবা তুংদা ‘লম মুল্লগা খুদুম চনবা!’ অদুগা কুকিলেন্দ কৌবা লৈবাক অমা শেমগে হায়বগীনি, মসিবু য়াবা হৌনব্রা...? ●

# ‘খঙদ্রে ইমা মণিপুর নঙগী নরাইবকসে!’

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর-

ইশাগী ইরোল-ইয়েক, চাকচা-য়ুথক, চৎনরোল, ফিজেৎ-চাকচা, য়ূমলৈ-কৈরৈ, নাৎ, লাইনীং-লাইশোন অমত্তা ৱাৎতনা চহী লিশীং কয়া, নিংথৌরোল কয়ানা ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী ইনিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্র ফাওবগী শাংখ্রবা মনীং মখা তম্বা, কনাগীসু মখা পোল্লক্তবা, নীংতম্না নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লাকখিবা ইমা লৈবাক মণিপুর, মরক্তা কুমজা ১৮১৯দা বর্ম্মাগী অৱাশিংনা (হৌজিক্কী কুকিশিং) লোন্না লান্দারক্তুনা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা (১৮১৯-১৮২২৬), লাঞ্জেন্নরুরবা মৈতৈশিং তপ্পা-তপ্পা পুনশিন্নরক্তুনা অমুক মরৈবাক অসিদগী অৱাশিং তান্থোকখ্রবা মতুং অথেংবদা ইন্দিয়াদা লোইলম শন্দোকপা অমদি লল্লোনবা লাকখিবা বৃটিশ ওফিসর খরনা মণিপুরবু নমদুনা খুদুম চন্নবা হোৎনরক্তুনা অহিংদা লোন্না লান হৌরকপদগী মতমদুগী মৈতৈ সিফাই কয়া অমদি মরাল শুকলৈ লৈজদবা নুপী অঙাং কয়া হাৎখিবা, মতমদুদা থৌনা ফরবা ঐখোয়গী থাঙ-তেন-তা খক্তা পায়বা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদুনা নোংমৈ পায়বা বৃটিশ ওফিসর মঙা নমদুনা ফারগা কংলা শা মমাঙদা মঙক কক্তুনা লমন খুম্লুবদগী বৃটিশ লৈঙাক্লা মণিপুরগী মথক্তা ৱার লাওথোক্তুনা মায়কৈ অহুমদগী বৃটিশ সিফাইশিংনা লান্দারক্তুনা কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশনা মণিপুরগী কোনুং খুদুম চনশিনখি। কুমজা ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা মণিপুর বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা মীনাই নাইথাং ওইদুনা চহী ৫৫/৫৬ লোম অমুক লৈখি। অদুবু মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্লা মণিপুরগী ইনিংথৌবু লৈঙাক সাসন শুকয়াওমক য়াওহন্দবদি ওইখিদে। ইনিংথৌবু লৈঙাকপদি য়াওহনখি। ‘মণিপুর ষ্টেট দরবার’ লিংদুনা ইনিংথৌবু তম্পাক লমগী দরবার লোয়শঙগী মপু ওইহনখি। চীংগী লমগীনা বৃটিশ ওফিসর অমনা লুচিংদুনা মণিপুরদা লৈঙাক অনী থোক্লা চীং অমদি তম হায়দুনা খায়দোকখি। দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি তৌখি। অদুবু মতমদুগী মণিপুর ষ্টেট দরবার লোয়শঙনা তাখিবা ওর্দর কয়া ঙসিসু অদুমক চৎনদুনা/হিংদুনা লৈরি। ককথৎপা ঙম্নদ্রি। মমৈদা বৃটিশ লৈঙাক্কী মথক্তা লোয় চনশিনবিরবা লৈবাক কয়ানা বৃটিশ লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা খোঙজং কয়া লেপ্পা লৈতনা চংশিন্নরকপদগী বৃটিশনা মণিপুরবুসু অমুক হন্না কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা মণিপুর থাদোকপীদুনা মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিনহনবিখি। মদুগী মতুং মণিপুরদা নিংথৌ লৈঙাক মূথৎতুনা ইনিংথৌনদি মকোক ওইবা মণিপুর মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমজদুনা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ শেমদুনা এক্টতুগী মখাদা কুমজা ১৯৪৮দা মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা দেমোক্রেসি চৎপা অনৌবা লৈবাক অমা ওইনা লৈঙাক লিংদুনা ইনিং তম্না হাই হুম্না কনাগীসু মখা পোন্দ্রবা লৈবাক অমা ওইবা হৌরকখি। অদুবু কদোমদগীনো খঙদে ওল্লকপা চহী কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মতমদুগী অসামগী গভর্ণর শ্রীপ্রকাসনা ইনিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা মণিপুর দোমিনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবদা য়ারে, মণিপুর মশাগী লৈজরম্বা লৈঙাক পূম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা শিন্নথোক্লে হায়বা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অমত্তনসু শাখি ওইখিদবদা নমদুনা খূৎয়েক লৌবীখ্রে। হায়রিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী ইমা লৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হন্না মাঙখ্রে। মতমদুদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন শেমদ্রি, শেম্নবা থৌরাংলিবা চহীদুগী মনুং কুমজা ১৯৪৯গী নবেম্বর ২৬তা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন শেমদুনা কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়া পূম্বগী মীখল পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়ান পার্লিয়ামেন্ট লিংবা হৌখি। মতমদুদা মণিপুর পার্ট সী ষ্টেট ওইনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা মতম শাংনা চহী ২২/২৩ লৈরক্লবা মতুং কুমজা ১৯৭২ খক্তদা অপূনবা খোঙজং কয়া কয়া চংশিল্লবা মতুংদা মনীং মখা তম্না লৈজরম্বা লৈবাক অমা ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা ষ্টেটহুদ অমা ওইনা লৈরকখিবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা মতমদা মণিপুরগী পাক চাওবা লমগী শরুকসি স্কৱার মাইল ১৮,০০০ ওইখি হায়। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা বর্ম্মা লৈঙাক্লা অফবা মরী থম্নবা হায়দুনা মতম অমদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ বর্ম্মা লৈঙাক্তা লিজ শান্দোক্তুনা থল্লম্বা কবো তম্পাকসু বর্ম্মাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৫৩দা খুদোল তমথোকখি। অদুগী মতুংদগীদি চহীগী রেন্ট ওইনা চহীদা লুপা ৫০০০/৫০০০ কারক্লম্বদুসু কারকখিদ্রে হায়। মদুগী মতুং চহী কয়া ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী লমখৈ শম্বল খাবিদনা থল্লকপনা ঙসিদি মতম অমদা নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমজরম্বা ঐখোয়গী ঙমখৈ উচুকশিং (ঙসিগীনা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি পিল্লর) কয়া মফম-মরাং খঙহন্দনা থম্বীরি অমদি নারোন্দগী মীতোপ কয়া কয়া চংশিনহন্দুনা মখূৎতা মতিক চাবা খূৎলায় পায়হন্দুনা মণিপুরগী পাক চাওখ্রবা চীংগী চীংমাইশিংগী চাওখ্রবা উজাও কয়া কয়া য়ান্থৎহন্দুনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট ফাওবা য়াওনা কোকথোক্তুনা পোপি পান্বী থাহনবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট তেমথোক্তুনা য়ূম-কৈ শাজিনহনবা অদুসু বর্ম্মাদগী নৌনা চঙলকপা কুকি ফোরেন্নরশিং। পূম্নমক খঙনা-খঙনা, উনা-উনা খঙশিন্নদনা-উশিন্নদা লৈথোকপা। পূম্নমকশিংদু থিংনবা হোৎনরুবা মতমদনি ঙসি মফমসি ঐখোয়গী লমনি হায়দুনা ঙরাংতা লাকপা লৈবাকসিগী সিটিজন ফাওবা ওইদবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গী ওইবা তোখায়বা লৈঙাক অমা থম্বীরো, লমগী লমখৈ শেংদোকপীরো হায়রক্লিবা। মৈতৈ কয়াগী য়ূম মৈ থারকপা, অউ-অউবা মৈতৈ মচাশিং অফবা মখলগী নোংমৈ পায়দুনা কাপ-কাপ্পুনা হাৎলক্লবা, মসিবু ঙাক শেন্নবা থাজিল্লকখিবা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা করিসু তৌদনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈথোকপনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা লৈমখোং আর্মি হেদ ক্বার্টরগী হেক থোঙ্গালমক্তদা মৈতৈশিংগী য়ূম খন-খন্দুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোরকপদা খান্বদি লায়রদনা কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈথোকখি। অমুকসু নুমিৎ ৫/১০নি লৈরগা চিত্থহৌবা মৈতৈশিংগী য়ূম ৫/৬তু নৌনা মৈ থাগৎলকপদসু অদুমক য়েংদুনা লৈখি। অসিগুম্বা লমহেন তুহেল্লবা কুকি টেররিষ্টশিংদু ঙম্না হাৎতোকখ্রগে হায়দুনা খুনগী খুঞ্জাশিংনা চংশিল্লুবা মতমদনা আর্মি ময়ামদু পরেং শানা থোল্লক্তুনা কুকি টেররিষ্টশিং অদুবু কন্দুনা থমখি। হায়রুরগা ঐখোয়দি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সু থম্নরি, নোংমৈ কাপ্পা য়াদে মহায়বা। নোংমৈ কাপ্পা য়াদ্রিবা মীশকশিংদু কনানো, করিনো হায়বদুদি থিদোক্তবা, খঙলবসু খঙশিন্নদবা, টেররিষ্ট য়োকখৎপগী থৌদৌ, টেররিষ্ট মশীং য়াম্না য়োকখৎলবদি ইন্দিয়াগী অপূনবা শক্তম কায়রক্কনি হায়বদুদি খক খন্থদবা, টেররিষ্ট য়োকখৎলুবদগীনি ঙসি আফঘানিষ্টান লৈবাক কাং-খোং চাইরিবা। পাকিস্থান লৈঙাক্লা মহি লাঙলিবা। ইন্দিয়াদি মহি লাঙলকওই খনব্রা? লাংবা হৌরক্লবনি খঙউ। খুজিল মমায়মুক্তা পাকপা পীকখ্রবা ষ্টেটনি - মৈতৈ কুকি খক্তগী কাঙলূপকী ঈরাংনি খন্দুনা থৌ-ৱা শারুদবদুনা ঙসিদি করি শারে? ৱাথোকসি নেসনল ইস্যু ওইখৎলকপদা নত্তনা ইন্টরনেসনল ইস্যু ফাওবা ওইখৎলক্লবা নৎত্রা? লাক্কদৌরিবা ষ্টেট খরগী বিধান সভা ইলেক্সনশিং অমদি কুমজা ২০২৪গী পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনদা মণিপুরগী ইস্যুসি পার্টি খুদিংমক্লা নাথৈরম্বা ঙমগদ্রা? লৈঙাক শেম্নবা হোৎনবদা নার্কো টেররিষ্ট ওইরবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মতেং লৌরম্বগী কোর্ট য়ৌনরক্লবা এস এস হাওকিপ, চ্যেরমেন য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ) না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা ইবা চিঠিগী ৱারোল নাথৈরম্বা য়াগদ্রা?

অফ-অফবা মখলগী নোংমৈ কয়া বর্ম্মা ফাওদুনা পুরক্লগা কুকি টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা থুংখ্রে হায়বা অরোনবা ইন্টলিজেন্সকী সোর্চশিংদগী ফোঙদোক্লরক্লিবসি তরাইনা লৌবা য়াগদ্রা? ইন্দিয়া-চাইনাগা অফবা মরী লৈনবা লৈবাক্লা? চাইনানা মতেং পাংলল্লোই হায়বা ঙন্ব্রা? ঙসি মৈতৈখক্তদা ওনশিল্লিবা নোংমৈ চিন্দোলসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ওনশিল্লক্লোই হায়বা ঙন্ব্রা? লান হায়বসিদি খূৎলায়গী মপান তাংবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়দি ন্যুক্লিয়র শক্তি লৈবা লৈবাকনি হায়দুনা অসিগুম্বা তাঞ্জাদু লাকপদা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এটোম বোম থাদবা য়াগদ্রা? য়ারোই। নোংথক্তগী পেট্রোল হৈথরগা মৈ থাদোকপা য়াগদ্রা? য়ারোই অদুসু। অদুনা কিদুনা সু থল্লিবরা? কুকি টেররিষ্টশিংগা সু থম্নবগী নুংগী ওইবা হিদন এজেন্দা করিনো? মৈতৈ লালহৌবশিংগী চাক্তাফম চীংদা থল্লোই কুকিশিংগা লোন্না লৌতুনরগা অসিরা? মমৈদা তম্পাক্তা তারিবা মৈতৈশিংগী য়ূম কৈ তুম্না মৈ থাদোক্তুনা অউ-অউবা কাপ কাপ্পুনা কুকি টেররিষ্টশিংদা হাৎহল্লগে অসিরা? অদুগুম্বা অপংবা ৱাখলদু লাক্লবদি মতম অমদা গেলেন্টরি এৱার্দকীদমক মৈতৈ লালহৌবশিং তান্ন-তান্নদুনা কাপ-কাপ্পুনা হাৎলম্বা মৈতৈগী সিক্যুরিটি ইচিল ইনাওশিং শোয়দনা মীকপ থোক্লক্কনি মজাতিনা মুৎকদৌরবা, মরৈবাক্লা মাঙখিগদৌরবদা, চৎমিন্নখিগনি মচিল-মনাও খূৎশম্নদুনা মতমদুদনা হেন্না কোক শারক্কনি ইন্দিয়া লৈঙাক। অদুনা সু লৌথোকখো। নখোয়না কিরিবা কুকি টেররিষ্টশিংদো উফুল ওলহনগে শুপ্নতগী অহিং অনীখক্তদা। মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংগী অচম্বা খূৎলায় পায়দবা লান্মী ১/১ খক্তা থোক্লগা। অদুদি নত্তদুনা কুকি টেররিষ্ট লিশীং ১/২ খক কিবগীদমক নৎত্রগা মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিগী খোঙ্গুল মালেমসিদগী মূথৎলগে হায়বগী ৱাখলনা লমজিংদুনা য়েলহৌ ফুরুপ পুন্না ৩৪ মুক্না হৈনম-লৈনম চুরবা লৈকোল অমগুম ফুগাইনা শাৎতুনা মালেমদা ঙান্থোইরিবা ইমা লৈবাক্কী লম মচেৎ মচেৎ থোক্না খায়দোক্কনি থৌরাংলক্লবদি ঐখোয় ইন্দিয়াদা পূনদ্রিঙৈ মণিপুর মজর এগ্রীমেন্ট ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১গী মমাঙদা লৈরম্বা ঐখোয়গী ফিভমদুদা হঞ্জিহন্নবগী দিমান্দ নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী অতোপ্পা লন্বী অমত্তা লৈতে। খঙদ্রে ইমা মণিপুর নঙগী নরাইবকসে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাক্লিবা ফোরেন্নর কুকি টেররিষ্ট খুজোক খরখক্কী লানসিদা। ●

# লৈঙাক হায়বা পোৎশক অমা লৈরিবরা?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম

কুমজা ১৯৮২গী মতম অদুৱাইদা ওইরম্বা য়াই লমদম অসিদা দেল্লীদগী শন্দোরকপা টিভি প্রোগ্রাম য়েংবা ফংনখিবসি। দি দি কে দেল্লীনা শন্দোরকপা প্রোগ্রামখক্তনি য়েংবা ফংলম্বসি, মণিপুরী প্রোগ্রাম লৈরমদে। মতম অদুদা গুম সুধা টলাশ কেন্দ্রনা মাঙখিবা মী থিনবগী প্রোগ্রাম অমা শন্দোক্লম্মী, ফোটোগা কোন্ননা মী অদুগী মমিং, লৈফম, ৱাং চাওবা অমদি কুচু কুমেন্নচিংবা অকুপ্পা মরোলশিং য়াওবা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী শন্দোক্লম্বা প্রোগ্রামনি। শা থেংনরগা নোংমৈ নীংশিংলকই হায়নবগুম লমদম অসিদা নুমিৎ খুদিংগী উরম্বা মরু ওইবা মীওই কয়া মশক উরক্তবদা নীংশিংলকপনি। ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী উরম্বা ৱাজাও ঙাঙলম্বা, প্রিন্ট মীদিয়াদা ফোটোগা কোন্ননা চাওখৎ থৌরাংগী, শেমগৎ শাগৎপগী ৱাফম কয়া চবাক-চবাক ফোঙলম্বা ঙসিদি উখিদ্রে। লৈবাক শেম্বগী পাউ তাখিদ্রে, চাওখৎ থৌরাংগী থবক লেপখ্রে, লৈবাক্কী থৌগল তৌজগে হায়না ভোটকী ভিক্ষা নিখিবা মীওই কয়া মশক উখিদ্রে, মৱা মপাউ তাখিদবা কুইরে। মখোয়খক্তা নত্তনা মৈতৈলোন ঙাঙদবা লমদম অসিদা তোয়না লাক্লম্বা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনসু লাই লাকপগুম ওকখিবা মপান লমগী দবল ইঞ্জিনগী এক্সপার্ট মেকানিক খরসু থা অহুম হেঞ্জিল্লক্লে মশক উখিদবা, মতাং অসিদনি ‘গুম সুধা টলাস কেন্দ্র’ নীংশিংনরক্লিবসি। দি দি কেগী প্রোগ্রাম য়েংখিদবা কুইরবনা হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবরা, শন্দোকখিদ্রবরা হায়বদুমক্তি চপ চানা খঙদ্রে, করিগুম্বা মহৌশাগুম্না শন্দোক্লম্বা তারবদি মাঙখ্রিবা মীওইশিং অসি থিবা ফংনবা ফোটোগা কোন্ননা মমিং মথা অমদি লৈফম্নচিংবা হাপ্তুনা ফংনবা থিনীংলকপগী ৱানি। এম এল এ/মিনিষ্টর মাঙখ্রে হায়দুনা মোইবুং খোংদুনা থিনরকপদুদা অসুম খল্লুবগী ৱানি পাঙথোক্লুবকাদি ঙমজবা নত্তে, মখূত্তা শক্তি পায়রিবা, ফাগে-পুনগে ঙম্বা অকন-অথৌ ঙাক্তনি, আইন খুদিংমক মখোয়গী মখূত্তা লৈবনি, হেক হায়রুবদা চীংদদি খঙদ্রেকো তম্পাক্তদি আইন অমা হেক্তা পানশিল্লগা ফারকপসু য়াই অদুনা হায়বমক্তি হায়জররোই।

লৈঙাক হায়বা পোৎশক অমা লমদম অসিদা লৈরিবরা হায়বা ৱাহং অমা লৈরে। ষ্টেট ফোর্সনা ষ্টেট মনুংদা চথোক-চৎশিন তৌবা ঙমদ্রবা, য়ূম মৈ থাবা, মী হাৎপা থিংবা ঙমদ্রবা, মীহাৎপশিং ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদ্রবা, লম্বীদা গাড়ী চেলহনবা ঙমদ্রবা লৈঙাক লৈরি হায়না লৌবা য়ারিবরা? ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং কদাইদা লৈখ্রবগে? চীং তম নুংশিনদবা লৈরিবরা হায়না লাওরম্বা, বন্দ ব্লোকেদ তৌরিবরা হায়না পল্লিক্তা খুদোম্বী থিন থিন্দুনা হংলম্বা মীওইশিং উখিদ্রে, মৱা মপাউ তাখিদ্রে। মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়না য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা বিক্ষা নিরম্বশিং উখিদ্রে। গভর্ণমেন্ট দিজোল্ব তৌদ্রি, এম এল এশিং রিজাইন তৌদ্রি, মখোয় ৬০ মক হিংলি, তরা খাইদোকখ্রবসু ৫০দি লৈহৌরিদনা, ৫০দুগী মনুংদা ৪০দি তম্পাক্কীনি, মখোয়গী মনুংদসু ৩৫দি লৈঙাক পায়রিবনি, লৈঙাক অসি মখোয়গী মখূত্তা লৈরিবনি। মীয়ামগী পুন্সি, মাল-চাং কনবা মখোয়গী মথৌনি, মথৌ পাঙথোক্লিবরা? পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি চৌক্রি অদুদা মখা তানা ফম্লুবগী মথৌ তারিবরা? রিলিফ কেম্প হাংদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং থম্বখক্লা লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরি হায়না লৌফম থোক্তে। হৌজিক ফাওবদি লান লেপহন্দুনা মশা মশাগী লৈফমদা অকি অখং য়াওদনা খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনবগী মমি তাদ্রি।

হোম স্বিইট হোম হায়নরিবনি, উচেক ফাওবা নুমিদাংদা মহুম থিনরক্লিবনি, থবক ৱানা শুরুরগা ফক্লাংবু হোরবসু, ইনবু কুপ্লবসু, থোঙদু ফক্লোংনবু ঙাক্লবসু মশা মশাগী য়ূমদা পোখাবা পান্নবা ঙাক্তনি। অদুবু মশাগী লমদা রিফ্যুজিগুম্না পুন্সি লেল্লিবা মীওইশিং অসিগী অৱাবা করম্বা মতমদা কোক্কনি? রিলিফ কেম্পদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী টেম্পররি হাউস শাদুনা থম্বীবনা পোল্লেম অসিগী সোল্যুসন ওইবা য়ারোই। লৈঙাক্লা মখোয়বু মশা মশানা লৈরম্বা মফমশিংদা হঞ্জিলহন্দুনা লৈহনবা ঙমদবা হায়বসি কুকি মিলিটেন্টশিংদা সরেন্দর তৌবগা মান্নরে হায়না লৌবা য়াই। ফুরুপ অনীগী লাননা মরম ওইরগা লমদম অসিগী চাওখৎ লমজেল ঙসিদি মনিং হল্লে। থাগী তোলোপ কায়দনা ফংলিবা মীওইশিং নত্তনা শুরু-নোম্লুরগা নোংমগী চরা তাঞ্জবা মীওইশিংগী মফমদদি অৱাবগী মশকনি। থৱায়তবু হিংহৌরবদি হায়দুনা মশাগী শেৎলি-ইল্লিবা ফিরোলদুখক্তগা চেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীওইশিংগীদি পুরা জিরোনি, বেঙ্ক বেলেন্স লৈরল্লোই, মশা মশানা লৈজরম্বা তাঙ্গোই ওনখ্রবা য়ূমশিং অদু নত্তনা অতৈ এসেটসু লৈরল্লোই, মখোয়গী আশা খুদিংমক মকোক্তগী অমুক হৌবা তাবনি। ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা ইম্ফালদগী চেনখিবা কুকিশিংদি অয়াম্বনা ক্রোরপতিনি, ইম্ফালদগী চেনখ্রগা দেল্লী, বেঙ্গালুরু অমসুং আইজোল য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সহর কয়াদা লৈখ্রবা, মশানা ইম্ফালদা অমুক হল্লক্লরোই, মফমশিং অদুদা সেট্টল তৌরনিফাওবা হায়রকপা য়াওখ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদদি ইম্ফালদা লৈহৌরিবা ক্রোর অমা অনীগী প্রোপর্টি অসি মাঙবদি খুরক্তগী লিৎথহৌবগুম্বনি। ঈরাং অসিনা কা হেন্না শোকহল্লিবসি অথাপ্পা চীংয়া তময়াদা খুন্দারম্বা ঙসিনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা মৈতৈশিং অসিনি।

লমদম অসিদা ঙসি ওইরিবা মওং অসিদি খুদক্কী ওইবা ঈহৌনা নোংমা নীনি মীহাৎ মীপূন থোকহনবা অদু নৎত্রে, থা অহুম হেন্না মফম কয়াদা মৈতৈদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লিবা, মৈতৈগী য়ূম থি-থিদুনা মৈ থাদোক্লিবা, অহিংদা ময়ূমদা তূম্বা চিংথোক্লগা হাৎলিবা অসিদি মাঙজৌননা প্লান তৌরগা মৈতৈদা চত্থরকপা লান্দা অমনি। মসিবু মতম চানা থিংবা ঙমদনা মখা তানা চত্থহনবা হায়বসি লমদম অসিদা লৈঙাক কৌবা পোৎশক অদু লৈত্রে, লৈঙাকপশিং মাঙখ্রে হায়বনি। জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা পাকিস্থানগী ত্রেন তৌরবা টেররিষ্টশিং চঙলকপদা ফা-ফাদুনা হাৎপা ঙম্বা, ইন্দিয়ান আর্মি নৎত্রগা মীচমদা এটেক তৌদুনা মীশি মীনা থোকহনবদা পাকিস্থানগী বাউন্দরি মনুং ফাওবা চঙশিন্দুনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথবা ঙম্বা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা সিক্যুরিটি পর্সনেল লিশীং ৫০/৬০গী মথক্তা থাজিল্লক্লবসু মপান্দগী চঙলকপশিং য়াওবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকপা ক্রাইম কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করি করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈবনো হায়বসি হংফম থোকপা ৱাহং অমা ওইরে।

কুকিগী লাননা মরম ওইরগা থল্লিবা কর্ফিয়ু, বন্দ, ব্লোকেদ মরক্তা লমদম অসিগী মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি উরুরগা লমদম অসিগী য়াওনা মপানগী লৈঙাকপশিংদগী খঙনীংবা খরা ফাওরকই- অহানবদা মমা-মপা, মচা-মশু অমদি মপুরোইবা কায়নবগী মীকপ মীরাওশিং অসি তাবা ঙল্লিবরা? মীনুংশি পোক্তবরা, মথংদা ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখিদুনা মশাগী লমদা রিফ্যুজিগুম লেল্লিবা পুন্সি মরেল অসি য়েংবা নুংঙাইরিবরা, লোয়ননা করম্বা ঙাকপীফম থোক্ত্রবা মরালগী চৈরাক্লো মখোয়না ফংলিবা? মখোয়গীসু মমা-মপা, মচা-মশু লৈরমগনি, মখোয়সু মীওইবনি। নুপী-অঙাং, মচা-মশু লৈতবশিংগীদি খঙদ্রে, লৈবশিংনা করিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখোয়দা থোক্লবদি নুংঙাইগদ্রা হায়বদুসু লৈঙাকপা অমা ওইনা খন্থফম থোকপনি। লৈবাক ঙাকপগীদমক লৈঙাকপা হায়বনি, প্রোব্লেমশিং অসি মখোয়না সোল্ব তৌগদবনি, থা মরি হায়জিল্লকপা অসিদনি লৈঙাক লৈরিবরা, মশক উখিদ্রবা লৈঙাকপশিং গুম সুধা টলাশ কেন্দ্রদা ফোটো হাপ্লগা থিরসিরা হায়নরক্লিবসি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **‘‘লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **‘‘খুদোল্লে’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **‘‘ৱাধরিং হাইটস’’** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **‘‘লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি’’** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **‘‘অশিবা হুরানবা’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।